**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  গুজরাতকী অহামেদবাদ এয়ারপোর্টি মনাক্তা ঙসি নুংথিল এয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মণিপুরদগী কেবিন ক্রু অনি য়াওনা মীওই ২৪১ লৈখিদ্রে।

২)  প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, মন্ত্রিশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

৩)  ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী কিলোমিতর ১০ গী অকোইবদা লেজর লাইটশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে।

৪)  অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা শিজিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকরি।

অমসুং

৫)  কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান্না ভারতপু লৌউ শিংউগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

------

প্লেন ক্রাস ঃ  গুজরাতকী অহামেদবাদ এয়ারপোর্টি মনাক্তা ঙসি নুংথিল এয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মণিপুরদগী কেবিন ক্রু অনি য়াওনা মীওই ২৪১ লৈখিদ্রে। মণিপুরদগী লৈখিদ্রবা অনি অদুদি থৌবাল অৱাং

লৈকাইদগী কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্বোই শর্ম্মা কৌই, মশাগী চহি ২২ অমসুং কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ৮ ঙমবোম ভেংদগী লামনুনথেম সিংসন কুকিনি হায়রি। প্লেন অদুদা পাইলোত অনি অমসুং কেবিন ক্র্ ১০ য়াওখি।

এয়ার ইন্দিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ফ্লাইট অসিদা বৃটিশ মচা ৫৩, কানাদিয়ান ১, পোর্টুগিস ৭ অমসুং ভারত মচা ১৬৯ পুন্না মীওই ২৪২ তোংখিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়- লন্দন ফাওবা পাইগদবা বোইং 787- 8 দ্রিমলাইনর অদু এয়ারপোর্টতকী পাইখৎলকপদা কায়খিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা বি.জে. মেদিকেল কলেজগী হোষ্টিলগী শরুক অয়াম্বা অমাং অতা থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা মহৈরোই কয়াসু অশোক অপন নংলে হায়রি। এন.দি.আর.এফ, সি.আই.এস.এফনা মী কনবগী থবক চথুরি। মরক অসিদা, এয়ারপোর্ট অসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্লিবা ফাওবা থিংজিল্লে হায়রি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা থৌদোক থোকফম অহমেদবাদতা চৎখ্রে।

প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, মন্ত্রিশিং অমদি মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মণিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এশিং- থোঙাম বিশ্বজিৎ, গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- প্লেন কায়বগী থৌদোক অসিনা অৱাবা, নুংঙাইতবা পোকহল্লে। লাইবক থিবা থৌদোক অসিনা লৈবাক পুম্বা নুংঙাইহন্দ্রে, পুকিং নুংশিহল্লে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেল অমসুং পুলিস কম্মিসনারশিংগা প্লেন কায়খিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। মহাকা

কেন্দ্র সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা হায়- প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদু হৌজিক হকথেংননা য়েংশিল্লি অমদি থৌদোক থোকফমদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

গভর্নর (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাই ভিলেজ ওথোরিতি অমদি লোংমাই পৈগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মণিপুর রাজ্যগা আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুনা নোনেগী মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবীনবা আইবা চেরোল অমসু পীশিনখি। রাজ্যপালগী মাহকৈদসু নোনেগী মীয়ামা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং অদু য়েংশিন্দুনা মরম চাবা থবক পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি।

দিসি (এল)ঃ ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী কিলোমিতর ১০ গী অকোইবদা লেজর লাইটশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ময়াংলম্বম রাজকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী এয়ার ফিল্ড ইনভাইরোনমেন্ট মেনেজমেন্ট কমিতিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মরম অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মোংশাংগৈ, শঙাইপ্রৌ, নিংঙোম্বম, মালোম তুলিয়াইমা, মালোম তুলিহল, মৈত্রম, লংথবা লেপ, ঘারি, তাওবুংখোক, য়ারৌ বমদিয়ার অমদি কোদোমপোকপীদা লৈরিবা মীয়ামা এয়ারপোর্ট অসিগী কিলোমিতর ১০ না কোনবা মফমশিংদা লেজর লাইটশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থম্লে। মসি মরুওইনা ফ্লাইটশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা অমদি পাইলোতশিং অয়েৎ অপন পীদনবনি।

চেরোল অসিনা হায়- কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক চখ্থরক্লবদি এয়ারক্রাফট রুল ১৯৩৭ অমসুং এয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৯৪ গী মখাদা ফাইন থিহনবগা লোয়ননা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি।

চাইল্ড (এল)ঃ ঙসি ৱার্ল্ড ডে এগেনষ্ট চাইল্ড লেবর-অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা শিজিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্পা মালেমগী নুমিৎ পালন ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকরি।

ইন্টরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই.এল.ও)না কুমজা ২০02 দগী হৌনা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। পালন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, চহি নৌরিবা অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা শিজিন্নবা থিংনবনি।

তমেংলোং জিলাগী জাইথাও চিলদ্রেন হোমদসু ৱার্ল্ড ডে এগেনষ্ট চাইল্ড লেবরগী থৌরম পাঙথোকখি। প্রোগ্রেস ইজ ক্লিয়ার বট দিয়ার ইজ মোর টু দু, লেটস স্পিদ অপ ইফোর্টস হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোম অসিগী অঙাংশিং অমদি ষ্টাফশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না চাইল্ড লেবরনা শোকহল্লবা অঙাংশিংগী ওইবা দোক্কুমেন্টরি অমসু উৎখি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা অঙাংশিংগীদমক লৌরিবা থৌদাং কয়াগী মতাংদসু খঙহনখি।

কেম্পেন (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সেনাপতিনা শিন্দুনা পি.এম. ধরতি অবা জন জাতিয়া গাম উৎকরস অভিয়ান (দি.এ.জে.জি.এ.য়ু) স্কিম পায়খৎনবা ইনফোর্মেসন, ইদুকেসন অমদি কম্যুনিকেসন কেম্পেন হৌদোকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেন অসি জিলা অসিগী ওইনা জ্ন ১৫ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকবা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা খুলশিংদা কেম্পশিং শেম শানবা থৌরাং তৌরি। ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা স্কিম অসিগী কান্নবশিংসু কেম্প মনুংদা জিলা অসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। কান্নবশিং অসিগী মনুংদা- হেলথ,

ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজন, সোসিয়েল সেক্যুরিতি, ইমপোইমেন্ট এন্দ লাইভলিহুদ, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফ্যারনচিংবা য়াওরি। কেম্পন অসি মায় পাকা পাঙথোকবা জিলা অসিগী দি.সিনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং থৱায় হকচাং য়াওনা থবক পায়খৎনবা আপীল তৌরি।

ৱাকৎ (এল)ঃ অরান্বাই তেঙ্গোলগী মীওইশিং ফাখিবগী মায়োক্তা ঙসি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফাজিনখিবা এ.টিগী মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।

হার (এল) ঃ রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা থা অসিগী ১৬ তগী ২৫ ফাওবা হার য়েন্থোক্কনি।

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লৌমীশিংনা হার লৌবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী অধার, পট্টাগী কোপি নৎত্রগা টেনান্ট সার্টিফিকেটশিং লোয়নরক্কদবনি। জিলা জিলাশিংগী ওইনা হার য়েনফমদগী লাপা লৈবা লৌমীশিং ওইরবদি মশাগী জিলা নত্তনা অতোপ্পা জিলাশিংগী অনকপা য়েনফম অমদগী হার লৌবা য়াগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা লৌমীশিংদা থা অসিগী ১৩ দগী ফৌদি য়েন্থোকপা হৌরগনি। ফৌদি মখলশিং অদুদি, আর.সি.এম. টুয়েল্ব, আর.সি.এম. থারটিন, আর.সি.এম. ফিফতিন অমসুং আর.সি.এম. সিক্সতিননি। ফৌদিশিং অদু জিলা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসারগী ওফিশিংদা য়েন্থোক্কনি। হেক্তর অমমমগী ওইনা ফৌদি কিলোগ্রাম ৬০, কিলোগ্রাম অমদা লুপা তরুক তরুক্কী চাংদা লৌবা য়াগনি হায়রি।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান্না ভারতপু লৌউ শিংউগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। ৱাফম অসি মন্ত্রিনা গুজরাতকী বারদোলিদা

পাঙথোকপা লৌমীশিংগী ওইবা মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শ্রী চৌহান্না হায়- ভিক্সিত কৃষ্ণি সংকল্প অভিয়ান্না সাইন্তিফিক রিছার্স শিজিন্নদুনা লৌউ শিংউগী লমদম হেন্না খুমাং য়াংশিনহনবগা লোয়ননা শেন্থোক লম্বী লৈবা ঙমহল্লে। মহাকা গুজরাতনা লৌউ শিংউগী লমদা মায় পাকা চংশিল্লকপবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মমাং থাগী ২৯ দগী চত্থরকপা অভিয়ান অসিগী লোইশিনবা নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অদুদা গুজরাতকী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শ্রী চৌহান্না সেন্তর ফোর এক্সিলেন্স কয়া ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা মাউন্ট এভরেষ্টতা চৎলুবা নেসনেল কেদেট কোর্পস (এন.সি.সি)গী কেদেটশিং ঙসি নিউ দিল্লিদা তরামা ওকখ্রে। এন.সি.সি কেদেটশিংগা উন্নবা অদুদা শ্রী রাজনাথনা হায়- খোঙচৎ অদু কেদেটশিংগী থৌনা চাংয়েং তৌনবনি। মসিদা এন.সি.সিনা মখোয়গী কেদেটশিং শরুক য়াহনবা অসি থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- মে ১৮ দা পাঙথোকখিবা মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন অদুদা শরুক য়ারিবা এন.সি.সিগী নুপাশিং অসি চহি ১৯ গী লেং ঙাক্তনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী থৌনা অদু ময়েক শেংনা উৎলে।

স্কিম ঃকেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না ঙসি নিউ দিল্লিদা লোক সমভরধন পর্বা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসিদা এন.দি.এ সরকারগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা স্কিমশিং অমসুং মসিগী কান্নবশিংগী উৎকনি। থৌরম অসিদা সরকারনা শোন্থরবা কাংলুপশিংবু হেন্না চাওখৎহন্নবা য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎলিবশিং অদুগী মতাংদা খন্নগনি।

যোগ ঃ মালেমগী যোগ নুমিৎ ২০২৫ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অন্ধ্র

প্রদেশকী ভিশাখাপত্নমদগী শরুক য়াগনি। কুমশি চহি পালন নুমিৎকী হিরমনা- যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বসি। ৱাফম অসি কেন্দ্রগী আয়ুস রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা মালেমগী যোগ নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি।

নক্সলাইট ঃ ছত্তিসগরগী নরায়নপুর জিলাদা নুপী অনি য়াওনা নক্সলাইট অহুম সরকারদা চংজখ্রে। পুলিসকী পাডনা হায়- সি.আর.পি.এফ অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা চংজরকখ্রবা নক্সলাইটশিং অদু লাখ ১৯ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবশিংনি।

য়ুজিসিঃ য়ু.জি.সিনা কম্মিসননা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মখোয়গী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংনা রেঙ্গিংগী মায়োক্তা পায়খৎকদবা থবকশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী অন্দরটেক্কিং পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। য়ু.জি.সিনা হায়-এর্ন্টি রেঙ্গিং কমপ্লাইয়েন্স অমসুং অন্দরটেক্কিং পীখৎলক্তবা মহৈ লোইশঙশিংদা য়ু.জি.সিগী শেন্থুংহ ককথৎপা য়াওনা অতৈ থবকশিং পায়খৎলগনি।

পেন্সনঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফেমিলি পেন্সন্নর অমসুং সুপর সেনিয়ার পেন্সনরশিংনা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিং তাদুনা মখোয়গী খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা অখন্নবা কেম্পেইন অমা ঙরাং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হৌদোকখ্রে।

অখন্নবা কেম্পেইন অসি পেন্সনরশিংগী খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা থা অমা চুপা চত্থগনি। মসিগী থবক থৌরম জ্লাই থা মনুংদা হৌগনি। পার্সোনেল, পব্লিক গ্রীভান্সেস এন্দ পেন্সন্স মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না কেম্পেইন অসি মায় পাকা চত্থনবগীদমক পেন্সন সেক্রেটরিনা সভাপতি ওইদুনা পেন্সনরস গ্রীভান্সেসগী নোদেল ওফিসারশিংগা লোয়ননা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মেটঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-করনাতক্কা, গৱা, কেরলা, মহারাস্ত্রা, তামিল

নাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম অয়াম্বদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অকনবা নোং চুরগনি।

অমরোমদা, দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়-ভারতকী অৱাং থংবা অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবদা লৈরিবা রাজ্যশিং-দিল্লি, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেস, জম্মু অমসুং কাশ্মির, পঞ্জাব, রাজস্থানদা কা হেন্না শাবা মায়োকগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোকিঃ এফ.আই.ঐচ. হোকি প্রো-লিগকী মেটচতা ঙসি ভারত অমসুং অরজেন্টিনা নেদরলেন্সকী ৱেগনর হোকি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরি।

লিগ অসিদা হৌজিক ফাওবা ভারতনা মেটচ ১১ দা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

------